ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ ০৪, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৩২শুবা মশীং

## পাংন-শানবদা শুম হৈনখিনিকো

### চাওখৎলক্লিব্রা চাওথরক্লিব্রা

'পাংন-শানবা' হায়বা ৱাহৈ অনীসিমক মণিপুরী খুন্নাই, মরু ওইনা য়েলহৌ ফূরুপ মীতৈগী মীরোল কয়াদগী হৌজিক ফাওবদা চিন্থাং য়ৈনা লৈরক্তুনা হিংলক্লিবা ৱাহৈশিংনি। মরম অসিনা ৱাহৈ অনীসিগী ৱাহন্থোকশিং অমুক নৌহৌননা শন্দোক্লা হায়রুদ্রবসু ষ্টেটসিগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা শোয়দনা খঙলমগনি নীংই। করিগুম্বা থবক অমা নৎত্রগা পোৎলম অমা নৎত্রগনা মীওই অমগী চপ-চাবা পুমশেং-কোন্সেং অমগী মথৌ তারকপদা অশেংবা অচুম্বদুমক শীজিন্নগদবা নৎত্রগা পাঙথোক্কদবা মতমদা ফংবা ঙমদবদগী/লৈতবদগী হায়ফেৎ মান্নবনা মহুৎ শিনববু 'পাংন-শানবা' হায়বসিমক্লি হায়না শুপচিন্না ৱাহন্থোক পীবদা লানগদবা মান্দে। অদুবু মদুমক্লা হেক্তমক মপূং ফাবা শরেংসু থোংবা থাওসু থাকপা হায়বদুগী থাক্তি য়ৌগদবা নত্তে, য়ৌরোই। খুদম ওইনা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিগী মনুংদা ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকপীখ্রবা মীওইশিংনা হৌজিক রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা, লৈঙাক্লা শাবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ সেল্টর হোমশিংদা লৈরক্লিবসিবু মতম খরগী ওইনা লৈবা য়ানবা হিংনবা পাংন-শানবগী পূন্সি মহিংনি হায়বদা লানগদ্রা? উচেক ৱায়া ফাওবা মকোল লৈ। শা-ষণগীসু ষণগোন লৈ। লৈফম থোকপা মীওইবগী ময়ূম-মকৈগী মহুৎতা স্কুল/কোলেজ, মান্দব, কম্যুনিতি হোল অমসুং সেন্টর হোমশিংদা লৈববু মীওইবা অমগী লৈফম থোকপা মফল্লা হায়বনি। লৈফম থোক্ত্রবসু লৈরক্লি, ওইফম থোক্ত্রবসু ওইহল্লক্লিবসিদি তঙাইফদবা হায়বদুগী ফীভম লাকপদগীনি। মসিদনি, পাংন-শানবা হায়রক্লিবসি।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী থবক তান্নরিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীওইশিংনা খুরক হাংদনা লৈরিবা ষ্টেটসিদা মশাগী সর্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থারবশিংগী সর্ভিস মতম শাংদোকহনবা/রি-এনগেজ তৌবনচিংবগী থবকশিংসিসু ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী থোকউ-থোকউবনি হায়দবা য়াগদৌরিব্রা? থবক্তগী পোত্থারবা মীওই অমবু সর্ভিস মতম লোইরদুনা তোকহনখ্রবদি মহাক্কী রিটায়র্মেন্ট বেনিফিট পীদবা য়ারোই। মহাক্কী মহুত্তা নৌনা লৌগদৌরিবা মীওইদুগীসু খূৎশুমল পীদবা য়ারোই। পূন্নমকসি লৈতবদগী নৎত্রা সর্ভিস এক্সটেন্সন নৎত্রগা রি-এনগেজমেন্টকী থৌওং লৈঙাকসিনা য়াম্না থৱায় য়াওনা পাক্তকনা চত্থরক্লিবসি। থৌওংসিনা তুং-কোইগদবসু নত্তবদা এদ-হোক, পার্ট টাইম, কন্ট্রেক্টচ্যুল বেসিস নৎত্রগনা ষ্টোপ গেপ এরেঞ্জমেন্টকা হায়বা ফজ-ফজরবা ৱাহৈ কয়া পুথোরক্তুনা মথৌ তাবা মীওইশিং টেম্পররি বেসিসতা লৌরগা পাংন-শানবা তৌরক্লিবনি। থবকসিদা মণিপুরগুম্বা পীকখ্রবা ষ্টেটতি লায়রদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফাওবা থৱায় য়াম্না য়াওনা খূৎচাউ থারক্লিবনি। অদুবু পাংন-শানবগী থবকসি হীরম কয়াদা য়ান-য়ানবা মতম-মতমগী মতুংইন্না তৌনখ্রবসু 'হাফ বোইল্ড' তৌবদা পক্নদবা পানগুল্লদনা থা ১০ চঙশিল্লকপদগী হেন্দোরক্তুনা থা ১১ চঙশিল্লক্লবা তমথীরবা লানসিদদি 'পাংন-শানবা' শুম তৌশিল্লকপদা হৌজিক করি শারে? মমাঙথক্তগী হৈনদুনা লাকপদু মখা শমথরকপদা করি থোক্লগে? ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন/লৈঙাক কাং খোং চাইরকপদগী লো এন্দ ওর্দর ফাওবা ফি থোংদবগী ফীভমদা লাক্লিবা নৎত্রা? মসিবু লৈঙাক্লোইশিংগী মরক্তসু পাংন-শানবা হায়দুনা উগী মহুৎ কেগেনা শিনবা য়াওরকপগী ওইগদৌরিব্রা? য়াওরমদববুদি য়াই, অদুবু লানসিনা থা ১১ য়ৌশিল্লকপসিদা মওল-মওল খল্লকপগী ৱানি। হৌজিক ফাওবদা লান লেপহন্নবা হোৎনবদা মঙম শানবদি লায়রদনা মচিল ফাওবা মৈ মুবা হৌদবগী ফীভমদা লৈরকপসিদদি মীয়ামগী থৌগাই পুনবগীদমক লৈঙাক্লোইশিং ওইনা খনখিবদা হুকখিবা য়াল্লবা লৈ পরেংদু ঙকশম ওন্নবা য়াওরব্রা হায়বনি। পাংন-শানবগী চৎনবী নৎত্রগা হৈনবীসি কুইনা মখা শাংথহনবা মরু ওইনা লানসিগা তশেংনা চান্নদে, ওইওইনৈকো। শামু মরি পৎ-তৎ কৈথেল ৱা কায় হায়বদুগী ফীভমদুদা তারগা তোক্কনি। পঙই, হৈতে হায়রুরদি শাওরক্কনি। শিংবদি ৱাৎলিকো!!

## ꯄꯥꯡꯅ-ꯁꯥꯟꯕꯗꯥ ꯁꯨꯝ ꯍꯩꯅꯈꯤꯅꯤꯀꯣ

### ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯛꯀꯤꯕꯔꯥ ꯆꯥꯎꯊꯔꯛꯂꯛꯀꯤꯕꯔꯥ

[illegible]

## লৌমীশিংগী কাখল

# তিল্লৌ-চনমদা বেক্টেরিয়া, ভাইরস অমসুং নেমাটোদনা থোকহনবা লায়নাশিং

ডা. এম থোইথোই সিংহ

**বেক্টেরিয়া :** তিল্লৌ-চনমশিং লোক্লবা মতুংদা মখল মখা কয়াগী বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না শোয়দনা থেংনৈ।

লায়না খরা অমনা তিল্লৌ-চনম মক্তদা তাবা লায়না ওইরবসু খরা অমদি তীল, কোকফাই, নেমাটোদ অমসুং খূৎশু-খূৎলায়নচিংবা কয়ানা শোকহনখ্রবা মতুংদা অহেনবা ওইনা চংশিল্লকখিবনি। মরু ওইবা বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিংদি ব্রাউন রোট, সোফট রোট অমসুং শ্লিপরি স্কিন মমিং পনবা য়াই।

**ব্রাউন রোট :** মুশিনবা কোল্লা মচু নৎত্রগা কোনা মচু (বাউন) চঙনা তিল্লৌ মরূগী (Bulb) মকাশিং মচু ওল্লকই। ফৈনা খায়দোক্লগা য়েংবদা মনুং থংবা তিল্লৌ মরূগী কোরোক কোয়না লৈরিবা মকাশিংদু মচু ওন্না পুমথরকপা উগনি। মনুং থংবা শরুক্তগী মপান্থংবা শরুক্তা মকা অমগী মথংদা মকা অমদা শন্দোরক্কনি। য়েংবদদি মশা ফরিবা তিল্লৌ মানগনি। অদুবু মেৎলুরবদি মঙকলোমদা মহি থোক্লক্কনি (Bacterial Ooze)। লায়না অসি *Pseudomonas aeruginosa* না থোকহল্লি। মনাশিংদা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা দাগশিং লৈ।

**সোফ্ট রোট :** লায়নাসিনা শোকহল্লবা তিল্লৌ মরূগী মকাশিং ঈশিং অশাবদা তীংলুবা মান্না পখৈ; মচু ওল্লি, নাপু মচুদগী কোল্লা মচু মাল্লকই। মতম ইচং চংদনা পত্থবা থুজিল্লকই। তিল্লৌ-চনমগী মনুং থংবা শরুক মখৈ থোত্থরকই অমসুং নমথীবা মনম নল্লকই। মেত্তুনা য়েংবদা মঙকশম মপাদগী কোঙ্গোল য়াওনা মহি (Bacterial Ooze) থোরকই।

চনমগী ওইনদি মশাদু য়াম্না থোথরকই অমসুং পায়বদা নপ-নপ লাওগনি। লায়নাসি *Erwinia carotovera* না থোকহল্লি। তিল্লৌ-চনম থাফমদা খূৎশু খূৎলায়না শোকখিবা অমসুং পুথোক পুশিন তৌবদা থিনগায় খোৎকাইখিবা মফমদুদা বেক্টেরিয়া অসি য়াওশিনখিবদগীসু হেন্না শন্দোরকই। শাবা হেনঘৎলকপা অমসুং নুংশিৎতা ঈশিং মনিল ৱাংবা মতমদা লায়নাসিগী মপাঙ্গল হেনগৎলি।

লায়নাসি তাবা হৌরকপা মতমদা মনাগী মচি-মচিদা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা মফমশিংদু পত্থরক্কনি।

**শ্লীপরি রোট :** লায়নাসি তিল্লৌ-চনমগী মথক থংবা শরুক্তগী মখা থংবা শরুকলোমদা শন্দোরকই। ময়ায় থংবা নৎত্রগা নক্লবা মনা অমা অনী খুইথরক্কনি, নাপু চঙলক্লবা মতুংদা মতোন্থংবা শরুক্তগী কংবা হৌরক্কনি। লেমহৌরিবা মনা অতৈদি মশা ফনা লৈগনি। তিল্লৌ-চনমগী মরূদু ফৈন ককথৎলগা য়েংবদা ময়ায় থংবা শরুক্তু পৎপা থেংনগনি। কোনা মচু চঙনা মহি থোক্কনি; থোঙবা লোইরবগুম উগনি। করিগুম্বদা কংশিন্দুনা খোইদ্রিং-খোইদ্রং লৈবসু মানগনি। মরারোম থংবা শরুক্তগী খুবীনা কন্না নম্বদা মনুংগী শরুকশিং কাপথোরকপসু থেংনগনি। মপূম ওইনা য়েংবদদি তিল্লৌ নৎত্রগা চনমদু করিসু তৌদবা, শোক্তবা ওইনা উগনি। লায়নাসি *Pseudomonas allicola* না থোকহল্লি।

**ফনবা শেম শাবা :** ১) তিল্লৌ-চনম হেক তাম্থোকপগা উরুম-নুংশা অনীমক ফংবা মফমদা মরূ (Bulb) শিংদু য়ারিবমখৈ থুনা কংহলহৌগনি।

(২) লায়না-তীলনা নৎত্রগা খূৎশু-খূৎলায়না শোক্লবা মরূ পূন্নমক শিৎ-নান্না লৌথোকহৌরবা মতুংদা লীগনি।

(৩) তিল্লৌ-চনম মপূং ফারকপা মতমদা অতোপ্পা লায়না-তীলনাগী হীদাক কাপ্পা মতমদা শীজিন্নরিবা হীদাক্তুদা Bactowin-2000 (2 Bromo-2-Nilropropane-1, 3 Diol) গ্রাম নিপানসু লিটর ১৫গী স্প্রেয়রদুদা হাপহৌগনি।

**ভাইরসনা থোকহনবা লায়না :** তিল্লৌ-চনমদা থেংনবা ভাইরস লায়না ওনিয়ন য়েল্লো ডোৱার্ফ ভাইরস অমসুং আইরিস য়েল্লো স্পোট ভাইরস মমিং পনবা য়াই।

**ওনিয়ন য়েল্লো ডোৱার্ফ ভাইরস :** লায়না অসিগী লায়ওং অসি খ্বাইদগী নৌরিবা মনাদা ইহান হান্না মচু তাইফেৎ তাইথরকপগা লোয়ননা মনাগী মখোঙৱাইদা ময়ুংদা শাংনা চিংবা মানবা নাপু মচুগী লৈইশিং উগনি। মতুংদা মনাশিং খোইদ্রিং খোইদ্রাং তৌরকপা, লৈখায়বা অমসুং মনাশিং অমগী মথক্তা অমা মায়কৈ নাইদনা তুথগনি। মপাল শাগদবা মখোক নেমশিন্না লৈগনি, লৈখায়গনি অমসুং নাপু চংনা লাংগনি। পান্থীদুমক খুইথবা মানগনি।

**আইরিস য়েল্লো স্পোট ভাইরস :** মনাদা নাপু মচুগী মতোন অনীমক তুম্বা দাগ (পাঙমদেম মানবা) ময়াম অমা লৈগনি। মনুং থংবা মনাশিংদনা হেন্না তাগনি। অয়াম্বা দাগশিং মরূ ময়া নক্লা লৈগনি। মরূ চাউদে, পোত্থোক হন্থে।

**ফনবা শেম শাবা :** (১) তিল্লৌ-চনম চহী খুদিংগী থাবা মফমদা লায়নাশিংসি তারক্লবদি চহী অহুম লেপথোক্লগা অতোপ্পা পান্থীশিং থাগনি। মতুংদা অমুক হন্না তিল্লৌ-চনম থাবা য়াই।

(২) ভাইরস লায়না তাগন্দবা তিল্লৌ-চনম মখলশিং থাবা ফৈ। নাইট্রোজেনগী চাং হেনজিন্না হাপ্লোইসি।

(৩) ঈশিং পীবদা স্প্রিঙ্কলর নৎত্রগা রেন পাইপ শীজিন্নবনা তিল্লৌ-চনমদা তাবা থ্রিপসকী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। ভাইরস লায়না শন্দোক্লিবা তীল হাৎখ্রবদি লায়নাশিংদু তাবা হন্থে।

(৪) লায়নাশিংসিবু শন্দোক্লিবা মহী চূপ্পী তীল ৱাহিক্লচিংবা তাদনবা হীদাক কাপথোক্কনি। ওর্গেনিক্কী কিল্লর ৭০৭ মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

(৫) ভাইরস অমসুং বেক্টেরিয়া অনীমক খরমখৈ লাকশিনবা ঙম্বা ওর্গেনিক ওইবা Viroprez মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্লবসু য়াম্না কান্নে।

**নেমাটোদনা থোকহনবা লায়না :** নেমাটোদনা থোকহনবা তিল্লৌ-চনমগী লায়না ষ্টেম এন্দ বল্ব নেমাটোদ অমসুং রুট নোট নেমাটোদ মমিং পনবা য়াই।

**১) ষ্টেম এন্দ বল্ব নেমাটোদ :** নেমাটোদসি Ditylenchus dipsaci) তিল্লৌ-চনমগী মনা মউ অমসুং মরূগী সেলশিংদা লৈশিন্দুনা পান্থীশিংবু নেমশিন্না লৈহল্লি; অয়াম্বা শরুকশিং শেন্থ্রে-নাপ্রে লৈ; মনা অয়াম্বা তুথনা লৈ।

**২) রুট নোট নেমাটোদ :** হৌরিবা তিল্লৌ-চনমশিংদা রুট নোট নেমাটোদ মরাশিংদু য়েংবদা মতুম মতুম তাবা কিশি--কিবা মানবা মরাশিং উগনি। মরমসিনা লায়নাসিবু রুট নোট নেমাটোদ হায়না খঙনৈ। য়ামদ্রবদা রুট নোট নেমাটোদ মখল মরিনা তিল্লৌ-চনম্বু মাঙহল্লি। *Meloidogyne Chitwoodi, M. hapla, M. incognita* অমসুং *M. Javanica* নি। পান্থীশিং শুংজিন্না অমসুং খুইথরপ তৌনা লৈ; নাপু চংলকই। অদুবু লিংথোকপা কুইদ্রিঙৈদা তিল্লৌ-চনমদা লায়না অসিনা তাবা হৌখ্রবদি পোত্থোক শুকলৈমক লৈহন্দবসু য়াওই।

**ফনবা শেম শাবা :** ১) কালেন্দা খোইদোক্তুনা চয়োল মরিদগী তরুক ফাওবা মনুং মপান ফাওনা উবা প্লাষ্টিক্লা কুপশিন্দুনা নুংশা চাহলহৌবনা নেমাটোদ তাবা হন্থহনবতা নত্তনা নাপী হৌবসু হন্থহল্লি।

২) Paecilomyces lilacinus (Nemaguard) লিটর অমা ষষ্থি ষণয়ুংগী হার নৎত্রগা ভর্মিকম্পোষ্ট কিলোগ্রাম ৫০ তোৎশিনবীরগা শঙম অমা চাউবা মফমদা হাপচিন্দুনা তিল্লৌ চনম থাগনি। হাপ্পা য়াবা ষষ্থি ষণয়ুংগী হারবুদি শঙমদা টন ১০নি। লৈরবদি হাপচিনবা ফৈ। ●

# লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবা ৱাহৈ খরা

- এস সুমঙ্গল -

**মালেমগী লৈবাক লৈহাও শিথরক্লিব্রা?**

লৈবাক লৈহাও হায়বসি য়াওদনা অয়াম্বা পান্থীনা হৌবা ঙমদে। ঈশিংদা থাবা হায়দ্রোপোনিকস হায়বদুদা কয়া য়াম্না থাবা য়াগনি? লৈবাক লৈহাও লৈত্রবদি ঐখোয়গী চীঞ্জাক লৈররোই হায়বা য়ারে, লোয়ননা শা-ষণগী মচীঞ্জাকসু লৈররোই। লৈবাক লৈহাওদি পঙ্খ্রে নাইবগা লোয়ননা কায়গনবা পোৎশক্কুম্বনি, য়াম্নসু মরু ওইবা চেকশিন্না শীজিন্নগদবা পুক্কে অমনি। অয়াম্বা সব সহারান অফ্রিকাগী লৈবাক লৈহাও অয়াম্বদা হার লিক্লা শীজিন্নবা মরম্না মহৈ মরোংশিংনা লৌথোকখিবা অদুগা লৈহাওশিং হঞ্জিনবীদবা মরম্না চাথোক শাথীনা হন্থরক্লে। মসিনা শম্না তাকপদি ঐখোয়গী **লৈবাক লৈহাও অসি শিথরকপা য়াবা পোৎ অমা ওইবগা লোয়ননা মসি মালেমগী ওইনা য়েংবদা শিথরক্লি হায়বনি।**

**লৈবাক লৈহাওবু করম্না হিংগৎহনগনি?**

ওইথোকপা য়াবা থৌওং অমা হায়রগদি ওর্গানিক্কী ওইবা হারশিং হায়বদি ষষ্থি ষণয়ুংগী হার, কম্পোষ্ট, ভর্মিকম্পোষ্ট, হাপ্পা, গ্রীন মেন্যুরিং তৌবগা লোয়ননা সোইল কঞ্জর্ভেসনগী ওইবা থৌওংশিং তৌবা অসিনি হায়বা তাই। তৌবতবু ষষ্থি হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা কান্নবা চঙদবা য়াদবা পোৎলম অমা ওইবনা ষণ লোয়দুনা ষষ্থি তাদবা মফমদনা লৈহাও শিথরকপগী খ্বাইদগী চাওবা মরম অমদি ওই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

**অহিংবা অফবা লৈবাক ওইননবা কাঙলোন খরা :-**

মথক্তা থমজরিবা পোৎলমশিং অসি হাপ্পগা লোয়ননা মখাগী থৌরমশিং অসি পায়খৎপা মথৌ তারকই।

- পোৎ থাদুনা লৈমাইবু কুপশিন্দুনা লৈবাকপু ঈংথহনবা অসি চহী চূপ্পা তৌবিবা।
- লৈমাইবু কনশিনহন্দনা তারক্লিবা নোংগী ঈশিংবু লৈনুংদা চঙখিনবা হোৎনবা।
- পান্থীগী মরাগী মনাক্তা ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহন্দুনা ঈশিং ফাজিনবা, চুপশিনবা ঙমহনবা।
- মরা পাক শন্না অমদি লুথনা তাহন্নবা শেন্থীবা।

**অহিংবা লৈবাক্তা করি য়াওবগে?** লৈবাক লৈহাওদা পান্থীগী মচীঞ্জাক মচনশিংগা মচীঞ্জাক নত্তবা মচন কয়া অমগা লোয়ননা মখল কয়াগী অপীকপা মীৎনা উবা ঙমদবা অমদি ঙম্বা থৱায় পানবা কয়া খুদম ওইনা তিন্থোক, হিংকুপ (বেক্টেরিয়া, কোকফাই, পান্থীগী মরাগা শম্নবা মাইকোরাইজা) অসিনচিংবা কয়া অমা লৈহাওদা য়াওরি। লৈনুংগী থৱায় পানবশিং অসি হিংমিন্নবা অমগা অমগা মওং কয়াদা মরী লৈনৈ। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাওবু মশা ফনা থম্নবা লৈনুংদা হিংমিন্নরবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা চীঞ্জাক্কী নীংথিবা মরী লৈনবা মথৌ তাই। হিংলিবা থৱায় পানবশিং অসিনা এঞ্জাইম অমসুং অতোপ্পা মহিকশিং থাদোরক্তুনা লৈবাক্তা লৈহাও হাপচিল্লি। অমরোমদা হায়রগা মখোয় অসিবু পুল্লপ্পা ওর্গানিক মেট্টর হায়রিবা অদুনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি পান্থীগী হিংলিবা মরাগসু অদুমক মরী লৈনৈ। মসিগী মনুংদা চেল্লিবা ৱাহন্থোক্তি পান্থীনা চিনি পুথোকই হায়বনি। পুথোক্লিবা চিনি অপূনবগী চাদা ৪০দি মনা অমসুং মহৈশিংদা তুংশিল্লি, চাদা ৩০ অমনা মরাদা অদুগা মসিগী শরুক অহুমগী অমদি লৈহাওদা থাদোক্তুনা পান্থীবু মশা ফনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হিংকুপশিংগী মচীঞ্জাক ওইনৈ। মসিনা পান্থীগী মরা লৈবাক লৈহাও অমসুং হিংকুপশিংগী মরক্তা হকথেংননা মরী পূন্নমক লৈনৈ হায়বদু তাক্লি। মরম অদুনা মখল মখা কয়াগী পান্থী কয়া কাঙলোন মখল কয়াদা থাবনা লৈবাক লৈহাওবু ফীভম ফনা থম্বদা/পুরকপদা খূৎলৈ থুহনবা হেনগনি। লোক্লবা মতুং ফাওবদা পান্থীশিংদুগী মরানা লৈনুংদা হিংকুপশিংদুগা লোয়ননা হিংহৌরবদি লৈবাক্তুবু লৈহাও চেলহল্লমগদৌরিবনি। বিজ্ঞান্নদি কার্বোন গ্রাম অমনা ঈশিং গ্রাম অমা ফাজিনবা ঙমই হায়রি। মরম অসিনা কার্বোন য়াম্না য়াওরিমখৈ লৈবাক্তুনা ঈশিং ফাজিনবা ঙমই। লোয়ননা ওর্গানিক মেট্টরগা লোয়ননা কোকফাইগী মরী মরাং, বেক্টেরিয়া পূন্নমক অসিনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা লৈবাকপু হোম হোম লাউহনবদা নত্তনা লৈবাকপু চাং চানা চাওবা মতুম মচা মচা শেমদুনা লৈবাক্তুদা অহোবা মখুল মরাং কায়হন্দুনা ঈশিংগী ফাওদোক ফাওজিন য়াহল্লি লোয়ননা চুপশিনবসু ঙমহল্লি, য়াম্না ফাজিনবসু ঙমহল্লি হায়বদি ওর্গানিক মেট্টরশিংগী মচাকশিংদা ঈশিং নপ্পুনা লৈবনা ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী পাঙ্গলসু হেল্লি হায়বনি। অমরোমদনা লৈনুংগী নুংশিৎসু ফংহল্লি, পান্থীগী মরা নিংথিনা তাবদসু মতেং পাংই।

**লৈবাক লৈহাওদা ঈনিলগী চাং করম্না হেনগৎহনগনি?**

মথক্তসু পঙ্খ্রে লৈবাক লৈহাওগী ঈনিল হেনগৎহন্নবা থৌরম ময়ামগী মনুংদা ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহনবা হায়বসিসু অমনি। মসিগীসু মথক্তা অতোপ্পা থৌরমশিং - লৈবাকপু কুপশিনবা (মলচিং), ওর্গানিক্কী হার হাপ্পুনা পান্থী মখল য়াম্না থাবা, মফম চানা উ থাজিনবা লোয়ননা মতম চূপ্পদা লৈমায়বু পান্থীনা কুপ্পুনা থম্বা হায়বনচিংবা পূন্নমকশিং অসি ইনিলগী চাং ফগৎনবা পান্থেশিংনি।

শন্দোক্লা হায়রবদা মলচিংনা ঈনিল পাইথোকখিবদগী ঙাকথোকই, মসিনা ঈনিল মাঙহন্দে। উ অমদি পান্থী মখলশিং থাদুনা মতম চূপ্পা লৈমায়বু কুপ্পুনা থম্বনা ঈশিং চেন্থখিবগা ইরোয়ননা লৈহাও চেন্থদুনা মাঙবদগী কল্লি লোয়ননা নুংশিৎতগী ঈনিল লৌশিনবসু ঙমহল্লি। ওর্গানিক হারনা লৈবাক্তুদা অহোবা মখুল মরাং কায়হন্দুনা ঈশিংগী ফাওদোক ফাওজিন য়াহল্লি লোয়ননা চুপশিনবসু ঙমহল্লি য়াম্না ফাজিনবসু ঙমহল্লি ওর্গানিক মেট্টরশিংগী মচাকশিংদা ঈশিং নপ্পুনা লৈবা মরম্না ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী পাঙ্গলসু হেলহল্লিবনি।

মথক্কী ফীভমশিং অসি মফম মফমদুগী লৈজবা ঈশিং নুংশিৎকী মচাকশিং অমদি ঈশিংগী পান্থে শীজিন্নদুনা পান্থীশিং থারবা মতমদা ওইথোকহল্লি। নোংগী ঈশিং ফাজিন্নবা বন্দ, পাইপলাইন, এনর্জি সোর্স, খোংলম, পুখ্রিনচিংবশিংগী নেটৱর্ক (গ্রিদ ব্লোক) শীজিন্ননবা হাপচিনবা য়াই। অসুম্না দ্রিপ, স্প্রিংক্লরনচিংবা মাইক্রো ইরিগেসনগী অমদি চানবা ক্রোপিং সিষ্টম শীজিন্নদুনা ঈশিংগী কান্নবা হেন্না ফংনবা হোৎনবা য়াই।

**চুমথোকহৌবগী তঙাইফদ্রবা লৌউ কাঙলোন :** অখঙ অহৈ কয়ানা লাওদুনা লাক্লিবা ৱাফমদি ওইরক্লিবা মতমসিগী লৌউ কাঙলোন হায়বদি কেমিকেলগী হার, তিলহাৎ হীদাক কয়া অমা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদবনা মহৌশাগী লৈবাক লৈহাওদা পীরক্লিবা চৈথেংশিংনা ওইহল্লক্লিবা মালেমসিগী অকোয়বগী ফীভম অকিবগী মশক ওইরে হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী লৈজরল্লিবা লৈবাক লৈহাওগী পান্থী নিংথিনা হৌবা ঙম্বগী মথক্তা থমজখিবা ঈশিং নুংশিৎ, হিংকুপশিং, হৌরিবা পান্থীশিং খুদিংমক্তা লৈনরল্লিবা মরীশিংগী খল কায়রক্তুনা পান্থীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদবগী থাক্তা লাকপদগী কলহৌবনা মশা মউ ফবা তাইবঙপান অমা তুং কোইনা লৈহৌবা ঙমগনি। ঐখোয় খন্থবা মতম হেনখিগদৌরবনি। মহৌশাগী লৌউ, তুং কোইবা লৌউ, ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা পুকচেল শেংনা মায় ওনশিনহৌরসি। ●

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) - ১১২

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লারাক লৈশা ফংনা লৈথেৎনা। লোইমোম ফৌবোল খাওনা খোম। থাঙয়ি ফৌ চরোং। পামেল খূৎফাং চৈরোং লৌয়ৈগুম। হুয়েল লালদাঙৈদা। পাশি অথৌবা উয়ানখু। উয়ানহল। থংচিখু। থংচিহল। নাওরিখু। নাওরিহল। পাশি খুনৌবী খুনৌবা পুমবা লাকচাথীনা লালঙমবা। লাইজ ঈশিং খুকা ঈ। নীঙনোমবা চীঙশাং লম। অরেঙ কৌবা লেঙকাই লোক। লেঙনা কৌবা (কৌব্রু) উমৈ লম। উমৈ লেঙকাই চীঙদা লালদা খৌশাবা। পাংঙল মরা খুল খুললেল লমদমগী। কালারাজা লমচিংবগী মচা ইবুংঙো মোশোম। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -꯱꯱꯲

[illegible]

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।